www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

# Civil Services (Main) Examination, 2026

**KVMS–U–MNP**

## MANIPURI

PAPER—I

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিভৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Sections A and B) পুল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলাময়েক নৎত্রগা মীতৈ ময়েক) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

## MANIPURI

PAPER—I

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

### QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali/Meitei Mayek script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহং পুম্নমক খুমগদবনি, পাউখুম খুদিংমক ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

(a) য়েলহৌঙেদগী ঙসি ফাওবদা চৎনরিবা মীতৈ ময়েক্কী য়াওল খোঙচৎকী মতাংদা খুদম পীদুনা ইরকউ।

(b) কোম্পোনেন্ত কলস্টর অমদি সিক্বেন্স অনিগী খেন্নবা মৈতৈলোন্দা খুদম পীদুনা ইরকউ।

(c) ভার্ব মশক তাকপগা লোয়ননা স্ত্রকচরেল ভার্বকী মখলশিংগী মরমদা ইরকউ।

(d) জেন্দর কদাইবু কৌবগে? মৈতৈলোনগী গ্রামাতিকেল জেন্দর অমদি নেচরেল জেন্দরগী মরমদা নৈনরকউ।

(e) কম্পাউন্দ ৱার্দ মশক তাকপগা লোয়ননা ইন্দোসেনত্রিক অমদি একসোসেনত্রিক কম্পাউন্দগী মরমদা ইরকউ।

**2.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) মণিপুরী লোন অসি করম্না লোন কাংলুপ্তা চনবগে? মদুদা চল্লিবগী মরম পীদুনা নৈনরকউ। 15

(b) সুপ্রা-সেগমেন্তেল ফোনিম হায়বসি করিনো? মসিগী মরমদা মণিপুরী লোন্দা খুদম পীদুনা নৈনরকউ। 15

(c) ৱাহৈ-পরেং (সেন্তেন্স) হায়বসি করিনো? শেমগৎ শাগৎপা ৱাহৈ-পরেং (স্ত্রকচরেল তাইপস ওফ সেন্তেন্স)গী মরমদা মরিক চুম্না নৈনরকউ। 5+15=20

**3.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) কেস কদাইবু কৌবগে? কেস মার্করশিংগী মরমদা মণিপুরী লোন্দা খুদম পীদুনা ইরকউ। 15

(b) ফ্রেজ কদাইবু কৌবগে? ফ্রেজ মখলশিং তাকতুনা মণিপুরীদা খুদম পীদুনা নৈনরকউ। 15

(c) মণিপুরী লোনগী কোম্পোনেন্তশিংগী প্লেস ওফ আর্টিক্যুলেসন অমদি মেনর ওফ আর্টিক্যুলেসন তাকতুনা নৈনরকউ। 10+10=20

**4.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) মণিপুরী লোন্দা ভাউঅল কয়া লৈবগে? মখোয়গী মশক (আর্টিক্যুলেতোরি দিস্ক্রিপসন) তাকপগা লোয়ননা ৱাহৈগী করম করম্না মফমদা লৈবা ওন্নগে ইরকউ। 15

(b) অসপেক্ট হায়বসি করিনো? টেন্সকা করি খেন্নবগে হায়বদু মণিপুরী লোন্দা খুদম পীদুনা নৈনরকউ। 15

(c) এফিক্স মশক অমদি মখল তাকপগা লোয়ননা মণিপুরী লোনগী ৱাহৈ শাগৎপদা এফিক্সনা লৌরিবা থৌদাংশিং খুদম পীদুনা নৈনরকউ। 20

Prepp
Your Personal Exams Guide

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহং খুদিংমক খুমগদবনি, পাউখুম খুদিংমক ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

*(a)* অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগা খেন্নবশিং অদু খুদম পীদুনা ইরকউ।

*(b)* বেলেদ কদাইবু কৌবগে? মণিপুরগী হৈ-লৈ (ফ্লোরা) অমদি শা-উচেক (ফোনা) বেলেদকী মরমদা ইরকউ।

*(c)* মণিপুরদা হিন্দু লাইনিং চংলকত্রিঙৈ মমাংগী চৎনবী লাইনিং লীচৎকী মরমদা ইরকউ।

*(d)* অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচৎতা এলাংবম নীলকান্তগী শৈরেংনা কল্লিবা মফমগী মরমদা ইরকউ।

*(e)* মণিপুরী সাহিত্যদা লমকোয় ৱারীগী খোঙচৎকী মতাংদা ইরকউ।

**6.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* ময়ায় চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী মরুওইবা লমচৎশিং (কেরেক্টর) অদু করি করিনো? মতমদুগী মনুং চনবা লাইরিক অমদা খুদম পীদুনা নৈনরকউ। 15

*(b)* লাই হরাওবা করম্না হৌরকপগে? লাই হরাওবগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং অদু নৈনরকউ। 15

*(c)* ফুঙ্গাৱারী কদাইবু কৌবগে? ফুঙ্গাৱারীগী মখলশিং অদু মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদা খুদম পীদুনা নৈনরকউ। 20

**7.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* মণিপুরদা কাং মশান্নগী হৌরকফম ৱারী ৱাখোঙ তাকপগা লোয়ননা মশান্ন অসিগী মরমদা মরিক চুম্না ইরকউ। 15

*(b)* পাউরৌ কদাইবু কৌবগে? মণিপুরী খুনাইদা পাউরৌনা লৌরিবা থৌদাংগী মরমদা ইরকউ। 15

*(c)* মণিপুরী ৱারী মচাগী খোঙচৎতা শারেপ ফারকপা মতম হায়রগা করম্না মতমবু খঙনবগে? মতমদুদা থোরকখিবা অইবশিংগী মরক্তা অমখক লৌখৎলগা মহাক্কী ৱারী মচাগী মরমদা ইরকউ। 20

**8.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* ফোকসোং মশক তাকপগা লোয়ননা ফংসনেল অমদি নন-ফংসনেল ফোকসোংগী মরমদা মণিপুরী ফোকসোংদা খুদম পীদুনা নৈনরকউ। 15

*(b)* অনিশুবা লানজাও মমাংগী মণিপুরী নোভেলগী থিম, লোন অমদি খুৎই-খুৎফোঙদোক্কী মরমদা ইরকউ। 15

*(c)* মণিপুরদা হিন্দু লাইনিং চংলকলবা মতুংদা মণিপুরী নাৎতা লাকখিবা অহোংবশিং অমদি য়ানশিন্নবা নাৎ-চৎনবীগী মরমদা ইরকউ। 20

★★★